ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
# হুইয়েন লানপাউ
The Largest Circulated Newspaper in Manipur



ৱাকচীংগী নীনি পানবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা য়ুনিভর্সেল ফ্রেন্দসিপ ওর্গনাইজেশন (য়ু এফ ও), সটজাল একাদেমিনা পাঙথোক্তুনা লাকপা নোংপোক নিংথৌ খুরুম্বগী থৌরম নোংপোক সেকমাইদা পাঙথোকখিবা

থম্মোয় পাউদম : পূক্লিং অমদি ৱাখল-খঙবা ঙমদবা ... লামায় ২
লামায় ৪ কুকিশিংগী লানগী ৱাফমসি নহানমখৈগা মান্নরক্লি, লুশিল্লক্লি
উফুল ৱাইফুল মরক্তা শান্নবসিনা অঙাংশিংগী ইম্যুন সিষ্টম ... লামায় ৫
লামায় ৬ লোকেল এরিয়া দিভেলপমেন্ট ফন্দ এম এল এনা...
বি এস এফ না থীংদবদগী বাংলাদেশতগী মীওই কয়া... লামায় ৯
লামায় ১২ ঙসিদগী ষ্টেট লেভেল স্কুল স্পোর্টস মীট হৌরগনি

জিরিবাম এ সীদগী কারক্তুনা স্পিকর অমদি মিনিষ্টর ওইরমখিবা থৌদাম দেবেন্দ্রনা লৈখিদবদা মণিপুর এক্স এম এল এ ৱেলফেয়র এসোসিএশনগী মেম্বরশিংনা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোকখিবা



Vol. 48, Issue No. 269 | ইরাই, ৱাকচীংগী মরিনি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Friday, January 03, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

# বাই-বাইগা তাইনবা অনৌবা চহী হৌরকপগী পুংজাদসু কুকি টেররিষ্টশিংনা কদাংবন্দদা কাপশিল্লকখ্রে




**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০২ (ঐচএনএস) :** মে ৩, ২০২৩দগী কুকি টেররিষ্টশিংনা মণিপুরদগী সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন তাল্লদুনা মীতৈদা অতন্নবা ওনশিন্দুনা চথরক্লিবা তমথীরবা লান অসিনা থা ২০ মপূং ফাজিল্লকখিবা কুমজা ২০২৪গী দিসেম্বর ৩১গী অয়ূক্তা চীফ মিনিষ্টরনা লান অসিগী মতাংদা মীয়ামদা 'শোয়খ্রে-লানখ্রে' হায়বা ৱাফম ফোঙদোক্লদুনা হৌখিবা পূন্নমক কাউথোক্লরগা মহৌশাগী ঈং-তপ্পা অমসুং নুংশিনবা হজ্জিলহল্লক্ক বা পূন্নমক্লা হোৎনমিন্নরসি হায়দুনা আপীল তৌখিবা বাই-বাই নুমিৎকী নুমিদাংগা তাইনখিবা অনৌবা চহী ২০২৫গী পুংজা হৌগৎলকপা নোংয়াই মতুং পুং ১ রোম তারকপদা কদাংবন্দদা বোম অমসুং নোংমৈ কাপশিন্দুনা লান্দারকখ্রে।

থৌদোক থোকখ্রিবা কদাংবন্দ অসি কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী শরুক্তা তাইননা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবনি। মফম অসিদা লোইশিন্দ্রিবা লান অসিগী মনুংদা মমাঙথক্তসু অকন্নবা লানফম ওইখিদুনা অশোক-অপন অমসুং অশি-অনা নংবা য়াওখ্রবনি।

অনৌবা চহী ২০২৫ হৌগৎলকপগী অহানবা পুংজা অদুৱাইদা তাইনরিবা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট লোমদগী মফম অসি তম্না অফবা মখলগী খুৎশু খুৎলায় শীজিন্নদুনা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবদা নত্তনা বোম ফাওবা কাপশিল্লকখি। অকন্নবা এটেক অসি চথরকপদগী খুল অসিবু ঙাক শেল্লক্লিবা খুল ঙাকপশিংগী মায়কৈদগীসু হন্দুনা খুৎ থোক্লখি অদুগা নাকল অনীমক্লা খুৎ থোক্লরকখিবা অদুবু লাকশিন্নবগীদমক মফম অদুদা অহেনবা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিং চঙশিল্লকখি হায়রি।

অদুম ওইনমক থৌদোক অদুদা মীশি-মীনা য়াওবগী ওফিসল ওইবা রিপোর্টতি লৈখিদে। নাকল অনীমক্লা খুৎ থোক্লরকপদগী কদাংবন্দগী নুপী-অঙাং য়াওনা খুঙ্গাশিং শাফগদবা মফমদা লাঞ্জেন্নখি।

পনবা য়াবদি, কদাংবন্দগী এরিয়া অসি মতম খরগী মমাঙদগী বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ) অমসুং ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

অজয় কুমার ভল্লা থুংলরে, ঙসি অয়ূক ৱাশক লৌরগনি

# ঙসি মণিপুরগী লান থা ২১ মপূং ফারকপা নুমিৎতা ৱাশক লৌগদৌরিবা অনৌবা গভর্ণরদা মিৎয়েং পূন্নমক থম্নরে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০২ (ঐচএনএস):**

কুকি টেররিষ্টশিংনা মে ৩, ২০২৩দগী মণিপুরদা তমথীরবা লান চথরক্লিঙৈগী মমাঙ ওগষ্ট ২৩, ২০১৯দগী লৈবাক অসিগী চুম ছো পায়রিবা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরস (এম ঐচ এ) গী সেক্রেটরি ওইদুনা মণিপুরগী মরমদা শিং নান্না খঙলবা অজয় কুমার ভল্লা ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুংদা ইম্ফালদা থুংলখিবগা লোয়ননা হয়েং অয়ূক পুং ১০.৩০ তারকপদা রাজ ভবনগী দরবার হোলদা মণিপুরগী ২০শুবা গভর্ণর ওইনা ৱাশক লৌরগনি।

এম ঐচ এদা ওগষ্ট ২৩, ২০১৯দগী হৌরক্লগা মমাঙ চহী ২০২৪গী ওগষ্ট ২২ ফাওবা চহী ৫ রোম চুপ্পা হোম সেক্রেটরি ওইরমখিবনা ষ্টেট অসিগী মতাংদসু মমুৎ তানা খঙলবা কুমজা ১৯৮৪ বেটচকী অসাম অমসুং মেঘালয় কেদরগী আই এ এস ওফিসর অসিনা হয়েংদগী মণিপুরগী গভর্ণর ওইনা ৱাশক লৌরগা ফম অসিগী থবক থৌরমশিং পুবা হৌরগদবনা মণিপুরগী চীং অমসুং তমগী মীয়াম পূন্নমক্কী মিৎয়েংশিং মঙোন্দা থমখ্রে।



ঙসি নুংথিল পুং ১ খরা হেল্লকপদা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলবদা মহাকপু দিসেম্বর ২৫, ২০২৪দা এদ্যুকেশন মিনিষ্ট্রিদা ট্রান্সফর অমসুং পোষ্টিং পীখ্রবা চীফ সেক্রেটরি বিনিট জে াসি, দি জি পি রজিব সিংহ অমদি মণিপুর লৈঙাক্কী সিনিয়র ওফিশলশিংনা তরাম্না ওকখি। এয়রপোর্টতগী রাজ ভবন য়ৌরকপগা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন, স্পিকর টি ঐচ সত্যব্রত, মিনিষ্টরশিং অমদি ওফিশলশিংনা মহাকপু তরাম্না ওকখি। মণিপুরগী গভর্ণর ওইনা ৱাশক লৌরগদবা এ কে ভল্লাদা এম আর অমসুং আই আর বি পর্সনেলশিংগী কন্টিঞ্জেন্ট অমনা রাষ্ট্রিয়া সেলুট পীদুনা ইকায়খুম্নখি।

পনবা য়াবদি, ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## মণিপুরগী লানগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরনা মীয়ামদা 'শোয়খ্রে-লানখ্রে' হায়খিবা ৱাফমশিংগী মায়োক্তা ফোঙদোক্লরক্লিবশিং

### লাল্লে হায়বনা মতিক চাদে, রিজাইন তৌগদবনি : অশোক গেলোট

**ন্যু দেল্লী, জন্যুৱারী ০২ (এজেন্সী) :** ঙরাংদগী হৌরকখিবা অনৌবা চহী '২০২৫' গা তাইনবা কুমজা ২০২৪গী দিসেম্বর ৩১দা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা মহাক্কী বঙ্গলোদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা মে ৩, ২০২৩দগী হৌরক্লিবা লান অসিগী মরীক চুম্বা ৱাফমশিং ফোঙদোকপগা লোয়ননা 'শোয়খ্রে-লানখ্রে' হায়বা ৱাফম ফোঙদোরকপদগী হান্না রাজস্থানগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা কোংগ্রেস লুচিংবা অশোক গেলোটনা লাল্লে হায়বনা মতিক চাদে, মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর রিজাইন তৌগদবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।



কোংগ্রেস লুচিংবা অসিনা ফোঙদোকখিবনি হায়বা ৱাফমশিং পাউগী এজেন্সী (পি টি আই) না ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না ঙরাং অশোক গেলোটনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা ইচম চম্না এপোলোজি তৌরকপা অসিনা মতিক চাদে। মহাক্লা মণিপুরগী ফীভম ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### লাল্লে হায়বসিদি হান্না হায়রমগদবনি : এম পি মনোজ ঝা

**ন্যু দেল্লী, জন্যুৱারী ০২ (এজেন্সী) :** মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা লানসিগী মতাংদা 'শোয়খ্রে-লানখ্রে' হায়খিবগী মায়োক্তা রাষ্ট্রিয় জনতা দল (আর জে দি) গী এম পি মনোজ ঝানসু অকনবা ৱাফম ফোঙদোক্তুনা শোয়খ্রে হায়বসিদি মমাঙথক্তা হায়রমগদবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে হায়রি।



থা ১৮/১৯গী মতুংদা 'শোয়খ্রে' হায়রক্লিবসিনা তৎলুরবা মরীশিং হজ্জিলহনবা ঙম্লোই হায়খিবগা লোয়ননা হৌজিক খ্বাইদগী মরু ওইরিবসি মণিপুরদা ঈং-তপ্পা মহৌশাগী ফীভম হজ্জিলহনবনি। মরম অসিনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মণিপুরদা অমুক্তং ওইরবসু চৎকদবনি। প্রাইম মিনিষ্টরনা মণিপুরদা চৎপনা ষ্টেট অদুদা ওইরিবা ফীভম ফগৎহল্লকপা ঙমগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

মণিপুর অমসুং য়ুনিয়ন লৈঙাক্তা ফীভম ফগৎহল্লকপা ঙমদে হায়নসু মরাল শীরদুনা ফীভম লাকশিন্নবগীদমক অচুম্বা পুরকপা তঙাইফদে হায়খি।

### ঈরাং লাকশিনবা ঙমদবা চীফ মিনিষ্টর ফম থাদোক্কদবনি : সন্দীপ

**ন্যু দেল্লী, জন্যুৱারী ০২ (এজেন্সী) :** হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা হৌখিবা পূন্নমক কাউথোক্লদুনা ঈং-তপ্পা অমসুং চাওখৎপা পুরক্লবগীদমক অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নরসি হায়না ফোঙদোকখিবগী মতাংদা কোংগ্রেস লুচিংবা সন্দীপ দিক্সিটনা ঙরাং ফোঙদোকখিবদা মণিপুরদা মায়োক্ল রিবা তংদু-লৈতাদবা ফীভম অসিবু লাকশিনবা ঙমদ্রে হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনদা মরাল শীরদুনা মহাক ফম থাদোক্কদবনি হায়খ্রে।




ৱাফম অসি মশক নাইবা লৈবাক অসিগী পাউচে অমা ওইরিবা 'হিন্দুস্থান টাইমস' না তৌরকখিবা রিপোর্টতা ফোঙদোরকখিবনি।

সন্দীপ দিক্সিটনা পাউগী এজেন্সী (এ এন আই) দা ফোঙদোকখিবনি হায়রদুনা মখা তারক্লিবদি মণিপুরদা লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম লাকশিন্নবা ষ্টেট অদুগী চীফ মিনিষ্টরনা হোৎনরল্লবদি ঐখোয়না ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

### শোয়খ্রে হায়বনা মতিক চাদে, ফম থাদোক্কদবনি : সী পি আই

**ন্যু দেল্লী, জন্যুৱারী ০২ (এজেন্সী) :** ন্যু দেল্লীগী অজয় ভবনদা লৈবা কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (সেন্ট্রেল ওফিস) না থোরকপা চেরোল অমদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা অসুক কুইরবা মতম অসিগী মতুংদা শোয়খ্রে হায়রক্লিবা অসিনা ৱাথোক অসিবু হেন্না লুশিলহনবা অমসুং মহাক্কী লৈঙাক্লা মণিপুরগী মীয়াম্না মায়োক্লরিবশিং কোকহনবদা ফেল ওইরে হায়বদু তাক্লে। ৱাফম অদুমক লো এন্দ ওর্দর মপূং ফানা লৈত্রে হায়বা তাকপনি হায়না মরাল শীরক্লি।




মণিপুরদা থোক্লিবা ৱাথোক অসি লৈঙাক্লোনগী থবক্তা চপ চানা কায়থরকপদগীনি। ষ্টেট লৈঙাক্লা লো এন্দ ওর্দর, মীয়াম ঙাকপা ঙমদ্রে অমসুং অচুম্বা পুরকপা ঙমদ্রে হায়রদুনা ফীভমশিং অসিনা পাক শন্না অৱাবা অমসুং তংদু-লৈতাদবা মায়োক্লহনবনি হায়নসু মরাল শীরক্লি। চেরোল অসিনা মোদিনা মণিপুরদা চত্তবগী মায়োক্তসু অকনবা ৱাফম ফোঙদোরক্লি।

### এম আর ১ দল্লিয়ু ৱাই কেজি ১০ হেনবগা কোন্ননা ফারে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০২ (ঐচএনএস):**

ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ রোম তারকপদা ককচীং কম্মান্দোনা পল্লেলদগীনা চান্দেল ফাওবগী মরক্তগী অহানবা এম আরগী রাইফলমেন অমা দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট কিলোগ্রাম ১০.২গা কোন্ননা ফারে হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ১

### ইন্দো-ম্যান্মার বোর্দর : কিমি ৯ হেন্না শম্বল খারে

**ন্যু দেল্লী, জন্যুৱারী ০২ (এজেন্সী):**

ম্যান্মারগা তাইনরিবা মণিপুরগী মোরেগী ঙমখৈদা কিলোমিটর ৯.২১৪ শাংবা পরিংদা শম্বল খাবা লোইরে হায়না মিনিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসকী এন্যুএল রিপোর্ট-২০২৩-২৪না ফোঙদোরক্লি।

থবক অসি বোর্দর রোদস ওর্গনাইজেশন (বি আর ও) দা খুৎশিন্নখিবনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, লৈবাক অসিগী ষ্টেট মরিগী ঙমখৈগা ম্যান্মারগা কিলোমিটর ১,৬৪৩ শাংনা তাইনরিবনি। মসিগী মনুংদা মণিপুরগা তাইনরিবনা কিলোমিটর ৩৯৮নি।

### কে সী পি-পি দল্লিয়ু জি

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০২ (ঐচএনএস):**

ঙসি অয়ূক পুং ৫.৩০ রোম তারকপদা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী বিজয়পুর মথক লৈকায়দগী কে সী পি-পি দল্লিয়ু জিগী ময়েংবম মোমোচা মৈতৈ (৪২) অপোকপা লৈখিদ্রবা এম সনাখোম্বা কৌবা কাদর অমা মোবাইল ফোন অমগা কোন্ননা পুলিসনা ফারে। মহাক্কী মথক্তা ককচীং পি এসনা কেস অমা লৌখৎলে হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## মফম খঙদ্রিবা কমলবাবুগী ময়াম্বা বিনোদকী গেটতা গ্রেনেদ থম্লম্লে



**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০২ (ঐচএনএস) :**

নবেম্বর ২৫, ২০২৪গী অয়ূক পুং ৯.১৫ রোম তারকপদা লৈমখোংগী ৫৭-মাউন্টেন দিভিজনগী কেম্পসতা মশাগী মথৌ পাঙথোক্লুনবগীদমক হোন্দা এক্টিভা অমা তোংলগা চঙখিবদগী ঙসি ফাওবদা মফম খঙদনা লৈরক্লিবা অসামগী কছার দিষ্ট্রিক্টকী গোসাইপুর পার্ট-১দগী লাইশ্রম কমলবাবু (৫৬) গী লোইতাং খুনৌ মনীং লৈকায়দা লৈবা ময়াম্বা এল বিনোদকী য়ুমগী গেট মনুংদা শকখঙদবশিংনা ইন্দিয়ানা শাবা পোইন্ট ৩৬কী হায় এক্সপ্লোসিভ হেন্দ গ্রেনেদ অমা অণ্ডৌবা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### নেশনল স্পোর্টস এৱার্দস-২০২৪ পীনবা খনগৎপদা মণিপুরদগী অমত্তা য়াওদ্রে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০২ (ঐচএনএস) :**

মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুঠ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টসনা তোঙান-তোঙানবা কেটেগোরি তরুক্তা নেশনল স্পোর্টস এৱার্দস-২০২৪গী মখাদা এৱার্দশিং পীনবগীদমক স্পোর্টস পর্সন্স, কোচ অমদি য়ুনিভর্সিটিনচিংবা খনগৎলগা লাউথোরকপদা মণিপুরদগী অমত্তা য়াওদ্রে।

মিনিষ্ট্রিগী লাউথোক চেরোল অদু পাউগী এজেন্সী পি আই বি, দেল্লীনা মীয়ামদা ঙসি নুংথিল ফোঙদোরকখিবনি। এৱার্দ অসিগীদমক খনগৎলবশিংনা মেজর ধ্যানচন্দ খেল রত্না এৱার্দ ২০২৪দা স্পোর্টস পর্সন ৪, অর্জুন এৱার্দস ফোর আউটষ্টেন্দিং পর্ফোর্মেন্স ইন স্পোর্টস এন্দ গেমস ২০২৪দা তোঙান ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### থৌদাম দেবেন্দ্রনা মীহুৎ ওইরম্লবদি জিরিবামদা ঈরাং থোক্লম্লোই : ইবোবী



**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০২ (ঐচএনএস) :**

মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সী সী) গী মরু ওইবা লুচিংবা অমা ওইরম্বদা নত্তনা জিরিবাম এসেম্বলি কন্সটিট্যুএন্সিদগী কারক্তুনা লৈঙাক্কী তোঙান-তোঙানবা লোয়শঙশিং পুবা মিনিষ্টর ওইরমখিবা থৌদাম দেবেন্দ্রনা লৈখিদবদা কোংগ্রেসনা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী হকচাংদা মপূং ফানা ইকায়খুম্নবা উৎখ্রে।

ঙরাং ইম্ফালগী কোংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকপা অৱাবা ফোঙদোকপা অমসুং হৈকৎ-লৈকৎ ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### 'গান ঙাই' মনুংদা বন্দ-ব্লোকেদ তৌবীগনু : মাইবোন ফাওমৈ



**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০২ (ঐচএনএস) :**

থা অসিগী ১২দগী হৌরদুনা মহৌশাগুম্না নুমিৎ ৫নি চুপ্পা পাঙথোক্কদৌরিবা রোংমৈ-কবুই ফ্রুরুপকী নাৎকী ওইবা গান-ঙাইগী থৌরম চথরিঙৈ মনুংদা সী এস ও, লন্নাই লূপশিংনা বন্দ অমদি ব্লোকেদনচিংবা তৌবীদনবা অমসুং মপূং ফানা কোওপরেশন পীবিয়ু হায়না জেলিয়াংরোং য়ুনাইটেদ কম্মিটি, ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## চুড়াচান্দপুরদা খঙহৌদনা চীংমীশিংগী মশীং খংহেন হেনগৎলকপদগী মীতৈশিংনা লাই হরাওবা ফাওবদা মখোয়গী নিংথৌদগী অয়াবা লৌদ্রবদি য়াখিদে

**রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী**
**হকথেংনবা পাউদম**
**চুড়াচান্দপুরদগী খুঞ্জা অমা**

**(ঙরাংগী মখা...)**

চুড়াচান্দপুরগী মীতৈ লৈকায়দা লৈরম্বদগী ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা চোংথোক্তুনা খামদবদগী ঙসি ফাওবা মখা তানা চথরক্লিবা কুকি টেররিষ্টশিংগী তমথীরবা লান অসিনা মরম ওইরদুনা লাঞ্জেল্লক্লগা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওল্ড মিনি সেক্রেটরিএটকী কেম্পসতা হাংবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌদুনা লৈরক্লিবী মশাগী চহী ৩০ রোমদমক শুরিবী ক্ষেত্রিময়ুম ওংবী তোম্বীনা পাউচে অসিদা মখা তানা হায়, সিফাইগী কেম্প য়ৌরক্লবা মতুংদা পীক্লিবা অঙাংশিংনা মবুক লাম্বগী কপ্লকপদা মখোয়বু মবুক থলহন্দুনা কপ্পা ফহন্নবগী পাম্বে অমত্তা লৈতবদগী মীৎতগী পি তারগা খাঙখি।

কপ্লিবা অঙাংশিংদুদা সিফাইনা অচাপোৎ য়েল্লক্কদোইনি ঙাইয়ু হায়না ওইদবা ঙাঙশিন্দুনা থেল্লগা থমখিবশিং অদু নীংশিংলুবদা মদুদগী হেন্না থম্মোয় শোকপা অমমুক পূন্সি অসিদা থেংনররোই খল্লি। ঐখোয়না থক্লবা ঈশিং সিফাইশিংনা শোকপা চৎপদা কুকি নুপীশিংনা চৎপা য়ারোই হায়দুনা থৎলগা চৎহন্দবদগী ঈশিং শোকপা য়াদদুনা হল্লকখি। সিফাইগী কেম্প অদুদা ঈশিংসু মরাং কায়না লৈতবনিনা ঈশিং থক্লবা হোৎনবদা ঈশিং খুয়া অমখক ফংনবা ক্য লেপ্পখি। মফম অদুদা য়াম্না ৱানা লেল্লকখি। তম্বদা অতাবা মীনা থাজরোই। চারম-থল্লম খঙলক্তবনা ইচানুপীসু মোইরাং য়ৌরকপদা বি পি লো ওইরকপদগী গাড়ী মনুংদা ৱাম্থরকখি। ময়াম্না মহাকপু লায়কন্নবীখি। ঐখোয়গসু পূন্না সিফাইগী কেম্পতগী থোকমিন্নরকপা ফংখিদবনা মহাক্তি কোন্না লাকখিবনি। সিফাইগী কেম্পতা চঙজফম লৌদুনা লৈরিঙৈদা চাফম খঙদবগী ৱাদি নাকল অমরোমদা থমখ্রগা ঙাইহাক পোত্থানবা হিপফম ফাওবা মী য়াম্মনবনা ফংখিদে। ফ্লোরিং তৌশিনবদা য়ৌদবা অকুৎ অতোং লৈবা মফমদা ইশাদা পল্লকপা ফি মচেৎ অদু থারগা তূম্লকখি। মফম অদুসু সিফাইনা দম্বুর খন্দুনা শেম্বা মফমনি। নোং তারকপদা অমুক হেন্না খুদোংচাদবা মায়োক্লখি। ইচানুপী অতোনবীনা চহী অনী খরা হেল্লকপদগী লাঞ্জেন্নরকখিবদুনা হৌজিক্তি মহাক রিলিফ কেম্পতা লৈরকপদা চহী ৪ হেঞ্জিল্লক্লে। চহী য়ামশিল্লকপদগী ৱাখল তাবা হৌরক্লবনিনা ঐখোয়গী য়ুম কদাইনো হংলক্লবদি লৈরক্লিবা রিলিফ কেম্প অসিনি হায়দুনা তাকপা নত্তনা অতৈ পাউখুম লৈররোই।

তোম্বীনা মখা তানা হায়, হৌজিক রিলিফ কেম্পতা লৈনা-লৈনা বেগ খরা লোল্লি অদুবু মী অয়াম্বনা লোন্নবনিনা য়োনফম লৈতবগী অৱাবা মায়োক্লে। অনা-অয়েক্কীবুদি ডাক্তর লাক্তুনা হিদাক লাংথক পীবিদুনা য়েংশিনবীরি। চবা থকপদি ৱাত্তনবা অদুম পীবিরি। অদুবু অসুম্না ঐখোয় কয়াম কুইনা রিলিফ কেম্পতা লৈখিগনি হায়না হংলকখি।

মহাক্লা হায়, মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লুপা ১০০০/১০০০ য়েল্লকখিবা অদুদা লুপা লিশীং ২৫/২৫ চঙলক্লে হায়নরিবসিগা ফংলগদি খরা ফগনি। ঐহাক্কীদি লুপা লিশীং ২৫গী শেনফম অদুদি চঙলক্ত্রি। অদুবু অরৈবা শেল খরনা ইচাশিংগী স্কুলগী অৱাৎ অপা মেনখৎনরক্লি। লৈঙাক্কী স্কুলদা ফ্রীদা তমহনবগী অয়াবা লৈরগসু ...মখা লমায় ৩ কলম ১

### এম এন আর এফনা পাউজেল পীরক্লি

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০২ :** মণিপুর নাগা রেভল্যুস্নরি ফ্রন্ট (এম এন আর এফ) কী ইনফোর্মেশন এন্দ পব্লিসিটি ৱিংনা ঙরাং থোরকপা চেরোল অমদা ঙরাংদগী হৌরবা অনৌবা চহী ২০২৫গী য়াইফ পাউজেল মণিপুরগী মীয়াম মরু ওইনা নাগা মীয়ামদা পীরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মণিপুরগী মীয়াম্না অনৌবা চহী অসি হরাও তয়াম্বগা লোয়ননা ঈশৈ শক্তুনা অমসুং তোঙান-তোঙানবা চর্চশিংদা লাইনীং-লাইশোন পাঙথোক্তুনা ঙাইরকখিবনি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

### প্রাইভেট নিংথৌজম থৌঙম্বা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি



**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০২ :** প্রাইভেট নিংথৌজম থৌঙম্বা এলিয়জ জেকিও লৈখিদবদা পাম্বৈনা লুচিংবা য়ুনাইটেদ নেশনল লিবরেশন ফ্রন্ট : মণিপুরগী দিপার্টমেন্ট ওফ পব্লিসিটিগী দিরেক্টর চরাইরোংবা থোকচোমগী চেরোল অমনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, হৌখিবা দিসেম্বর ৩১, ২০২৪গী ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫